ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯰꯲, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯸꯸ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, ওক্টোবর ০২, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ১৮৮ শুবা মশীং

এদ্যুকেসন সিষ্টেম

কদায়দনো করিনো অশোয়বা অমদি অদুম্মক লৈরি

মতম অমদা লাইরিক হৈবা মীগী মশীং পংয়াম য়াল্লমদ্রবসু ঙসিদি মীওই অয়াম্বা লাইরিক হৈরে। থোইদোক-হেন্দোক্লা হৈবমক নৎত্রবসু মীওই অয়াম্বা ইবা-পাবফাওবদি ঙল্লে হায়বা য়াই। লৈবাক অসিদা মেত্রিক পাস তৌবা, বি এ পাস তৌবা মীগী মশীং খূৎ থেক্তুনা থীবা য়ারল্লবসু হৌজিক্তি বি এ, এম এনা ৱাই চাইরে হায়বা য়াই। কনাগুম্বনা হায়নবা বি এদগী চরু মপুলনা হেন্না তাঙলে হায়বদুমক থোল্লরে। লাইরিক হৈবা নৎত্রগা ইবা-পাবা হৈবগী মশীং অসুক্কী মতিক য়ামখৎলক্লবসু থবক ফংদবা অমসুং শেন্থোক ৱাৎপা মীগী মশীংসু হেনগৎলকপগী ফীভমদা লৈরি। মসিগীসু মথক্তা লাইরিক হৈরে হায়রিবা ঙসিগী মীওইশিং অয়াম্বা হীরমদা চন্নফম খঙদবগী মওং অমা উবা ফংলি। ৱর্ল্ড বেঙ্ককী রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না ইন্দিয়াগুম্বা চাওখৎপগী মমি শাল্লিবা লৈবাকশিংদা চৎনরিবা এদ্যুকেসন সিষ্টেম চাউনা অশোয়বা লৈরে হায়রি। মগুণ লৈবা মওংদা মহৈ-মশীন তম্বগী মহুৎতা মমিংতগী ওইনা লাইরিক তম্বগী ফীভম অমা লাকপনা মালেমদা অচৌবা এদ্যুকেসন ক্রাইসিস অমা থোকহল্লকপা য়াই হায়নসু ৱর্ল্ড বেঙ্ককী রিপোর্টনা ফোঙদোক্লি। ‘ৱর্ল্ড দিভলপমেন্ট রিপোর্ট ২০১৮: লর্নিং টু রিএলাইজ এদ্যুকেসন’স প্রোমিজ’ কৌবা রিপোর্টনা হায়খি, প্রাইমারি অমসুং সেকেন্দরি থাক্তা মমুৎ তানা মহৈ তম্লকখিদবা মরম্না মীওই মিল্লিয়ন কয়ামরুম তুংগী পুন্সিদা মায় পাকপা মীশক হায়বদু ওইবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরে। ইন্দিয়া য়াওনা চাওখৎপগী মমি শাল্লিবা লৈবাকশিংদা ক্লাস টু তল্লিবা মহৈরোয় অয়াম্বা ৱাহৈ পরেং অমা ফাওবা নীংথিনা পাবা ঙমদে অমসুং ইচম-চম্বা তিনশিনবা-খাইদোকপগী অঙ্ক হোৎপা হৈতে। মমিং খক্তগী ওইনা লাইরিক তম্বনা ঙসিগী মীরোল অয়াম্বা তুংগী পুন্সিদা চন্নফম খঙদবদগী কাঞ্জথাঙ তাদুনা তোল্লগনি হায়রি।

অমরোমদা, য়ুনাইটেদ নেসন্স এদ্যুকেসনল সাইন্টিফিক এন্দ কলচরেল ওর্গেনাইজেসন (য়ুনেস্কো) গী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াদা হৌজিক চৎনরিবা মহৈ-মশীন তম্বগী মওং অসি হোংদোক্তবা তারবদি কুমজা ২০৩০দা ফংগনি হায়না থল্লিবা গ্লোবেল এদ্যুকেসন কমিটমেন্টকী পান্দম ফংবদা ৱানা থোক্কনি হায়রি। য়ুনেস্কোগী অনৌবা গ্লোবেল এদ্যুকেসন মোনিটরিং (জি ঈ এম) রিপোর্টনা হায়, এদ্যুকেসন সিষ্টেম হোংদোক্ত্রবদি ইন্দিয়া য়াওনা সাউথ এসিয়াগী লৈবাকশিংনা কুমজা ২০৫১ ফাওবা য়ুনিভর্সেল প্রাইমারি এদ্যুকেসনগী থাক য়ৌবা ঙমখিরোই। লৱর সেকেন্দরি অমসুং অপ্পর সেকেন্দরিগীনা মথংশিৎনা কুমজা ২০৬২ অমদি কুমজা ২০৮৭ ফাওবা পান্দম ফংবা ঙমখিরোই হায়রি। মসিনা তাকপদি কুমজা ২০৩০ ফাওবদা ফংনবা পান্দম থল্লিবা সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোল য়ৌনবা হোৎনবদা ইন্দিয়া অমসুং সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী অতৈ লৈবাকশিং চহীচা তঞ্চায় অমরোম থেংথরে হায়বনি। মহৈ-মশীন তম্বগী লম্‌দা লৈবাক অসিনা মালেমগী অতৈ অতোপ্পা মাঙজিল থাখ্রবা লৈবাকশিংগা মীমান্নবা ঙমদবা অমসুং সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোল ফংনবা হোৎনবদা শোথহৌবগী মরুওইবা মরমদি থায়নগী এদ্যুকেসন সিষ্টেম অদুমক চৎনদুনা লৈবা, মীওইবা অমনা তুংগী পুন্সিদা মায়োক্লরক্কদবা শিংনবা পূন্নমক মায়োক্লবা ঙমগদবা মওংদা মহৈ তম্বীদবা অমসুং লাইরিক্তা য়াওবা ৱাহৈ পরেং খরা চীনফা পুরগা দিগ্রিগী সার্টিফিকেট অমা পায়বনা মহৈ তম্বগী অরোইবা পন্থুং ওইনা লৌনরকপদগীনি হায়বা য়াই। মমা-মপা ওইবশিংনসু মচাশিংবু শেল তিংনা প্রাইভেট স্কুলদা তমহল্লগা তেনৱাদা মীরোল তম্বীবগুম তম্বীরকপা চীনফা পুবা ইংলিসকী ৱাহৈ পরেং খরা মচানা ঙাঙবা তারগা হোৎনজমলগী মহয় য়াল্লে হায়না পেন্থোক্তুনা লৈবনসু এদ্যুকেসন সিষ্টেমদা অশোয়বা লৈরকপনি হায়বা য়াই। মপূং ফাবা এদ্যুকেসন হায়বসি লাইরিক্তা ইরম্বা ৱাহৈ পরেং খরা চীনফা পুবদা নৎতে। মীওইবা অমনা তুংগী পুন্সিদা থেংনরক্কদবা শিংনবা পূন্নমক মায়োক্লবা ঙমগদবা মওংদা লৌশিং পীবদুনা এদ্যুকেসনগী অশেংবা ৱাহন্থোক ওইফম থোকই। লমদমসিদা হৌজিক চৎনরিবা এদ্যুকেসন সিষ্টেমদা কদায়দনো, করিনো অশোয়বা অমদি অদুম্মক লৈরি হায়জনীংই।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৮

১। অরিবা মণিপুরী পাউরৌশিং অসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু।
(ক) ঙন্না তাবা শেন্দাংনা চেঙ মচং চায়।
(খ) চৈশুসু তেক্তনবা, লিনসু শিনবা।
২। জি সি তোংব্রাগী দ্রামা অমনা মণিপুরদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না শান্নবা লীলা ওইরি। করি দ্রামানো?
৩। “পূম্নিল নিল্লি, পূন্নাঙ লাঙই চীংমায়দু/ ...মচী লেঙদে চীংমায়দি।” পরেংশিংসি লমাবম বীরমনিগী ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। করম্বা ৱারীমচানো?
৪। “খম্বতোন! নঙনা মায়থীরিবসে করম্বা লানফমদনো?” পরেংসিনা বেনুবালাগী ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৱারী মচাদুগী মমিং হায়য়ু।
৫। হিন্দিগী ‘কম্বন’বু মণিপুরীদা হন্দোকপদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৭ কী পাউখুম অহুম চুম্না থাবীরকখিবদি

১) সগোলশেম লল্লেবী চনু, লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায় (৩)

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৫৭ কী ৱিন্নর

সগোলশেম লল্লেবী চনু, লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায়

লিটরেরি ক্যুইজ ৫৭ কী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম ওক্টোবর ০৮, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৭ কী পাউখুম

১। অরিবা মীতৈলোন ৱাহৈশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু :
(ক) য়োইশগাই :- ফজবা য়ূম (খ) উরৌরে :- উহৌরে
২। “চেং লৈতবগী মরম পূন্নমক মঙোন্দা লোইনা তাইনবিরে।” পরেংসি কুঞ্জমোহনগী ‘ইলিশা অমগী মহাও’ দগী লৌথোকপনি। মসিদা ‘মঙোন্দা’ হায়রিসি কনাবুনো? :- হূইদা
৩। “য়ু থকউ/গঞ্জা থকউ/কানি চাউ/.../মঙ মংঙু, নুংঙাইনা তূম্মু।” কবি ইবোমচানা হায়বনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু। :- ‘অরোয়বা ৱা’
৪। “অহিং/মৈত্রবাক্কী অথেংবা অহিং/অহিং নঙগী নতম্বাক্তা চুরান্থাবশিংনা মনীং তল্লি।” মসিনা ‘তায়োন্নরবা অহিং’ কৌবা শৈরেং অমদগীনি। নহা ওইরিবী অইবীদু কনানো? :- হাউবিজম চনু প্রেমা।
৫। কাশিনাথকী নোভেলবু ‘বন্দান থম্লবা রঘু’ হায়না হন্দোকপদু কনানো? : আর কে মোবী।

লৌমীশিংগী কাখল

নিংথম মরূ-মরাং

ডা: এম থোইথোই সিংহ

নিংথম থা চঙলকপগা লোয়ননা অপাম্বা পাম্বী মখলশিং থাননবা মরূ দরকার ওইবা মতমনি। লৌউ-শিংউগী ৱাখল্লোনদা মরূ হায়রগা ঐখোয়না করিগুম্বা মহৈ মরোং মখল অমবু থাননবগীদমক শীজিন্নরিবা পাম্বীগী মরূ নৎত্রগা মশাগী চাদা নাওদা শন্দোকপা ঙম্বা শরুক খুদম ওইনা পান, মঙ্গ্রা, আলু, চুগী মতাংনচিংববু মরূ (সীদ) হায়না খঙনৈ। মসি মহৌশাগী মরূ ওইরবদি মপূং ফারবা মহৈগী মনুংদা য়াওবা অপীকপা, অহিংবা মচা (এমব্রিও) য়াওবা পাম্বী অদুগী শরুক অমনি হায়বা য়াই। অফবা মরূশিংদগী হৌরকপা পাম্বীশিং অদু অপাম্বা জাৎকী অশেংবা শক্তম উৎপা ঙম্বগা লোয়ননা অতোপ্পা জাৎকী নৎত্রগা অতোপ্পা পাম্বীগী মরূ য়াওদবা ওইগদবনি। লোয়ননা লায়না তীলনা চেন্দবা, থুনা হৌবা, চাওগনবা, চাথোক লৈবা মহৈ মরোং ওইরকপা ঙমগদবনি।

থাননবা মরূ (সীদ) গা চাননবা মহৈ মরোং (গ্রেন) গা করি খেন্নবগে?

মমাঙঙৈদা লৌউ-বিজ্ঞান্না চাওখৎত্রিঙৈদদি চাননবগীদমক লোকপা নৎত্রগা লীদুনা থম্বা মহৈ মরোং মরূশিংগী শরুক খরা লৌরগা থাবা অসি চৎনরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি থাননবা মরূশিংগা চাননবা মহৈ মরোংশিংগা খেন্নবা অসি খঙনরক্লে। থাননবা মরূশিং অসি অচংবা-অহিংবা মরূ ওইৱতা নত্তনা থুনা হৌবা, লায়না-তীলনা পক্তবা মরুশিং ওইবা তঙাইফদে। অমরোমদা চাননবা মরূশিং (গ্রেন) অসিদদি হিংদ্রবসু চাবদা হাউবা মচি ওইবনচিংবা গুণশিং অসিনা অফ-ফত্তগী চাং লেপ্পী, জাৎ শেংবা শেংদবা অমদি মখোয়দা হৌবা ঙম্বা ঙমদবগী থোইনা মথৌ তাদে। অদুনা থাননবা মরূশিং অসিনা মমল য়াম্না তাঙবা হেনবতা নত্তনা তিলহাৎ হীদাক্লচিংবা য়াওবা মরম্না চাবদা খুদোংথিনিংঙাই ওই। থাননবগীদমক লাকপা হৱাইশিং অমসুং অদুগুম্বা নূং হৱাইদুদগী লোল্লগা শেম্বা হৱাইজারশিং চারুবদগী খঙজদ্রবা মীওই কয়া অৱাবা তাখিবা ঐখোয়না তাখ্রে। অদুগা হৱাই চেঙৱাই য়োল্লিবা দুকানশিংদগী মঙ্গল, ফদিগোম মরূনচিংবা লৈরগা হুনবদা হৌদবা কোঙ্গাই থেংনখ্রে। করিগুম্বা হৌরবসু পাল্লিবা চাংদু ইয়ৌ য়ৌবা ঙমদে।

অফবা মরূদা চেনগদবা গুণশিং :

(১) পাল্লিবা পাম্বীদুগী অশেংবা চারোন শুরোন ওইবতা নত্তনা অতোপ্পা জাৎকী মরূ অমত্তা য়াওহল্লোইদবনি।

(২) পুমতোপ তোপ্পা পাম্বীশিংগী মরূ য়ান্দবা ওইগদবনি অমসুং নাপী মরূ য়াওরোইদবনি। চরু চনাইনচিংবা পাম্বীগী মচেৎ মকাই য়াওরোইদবনি। য়াওবা তারবসু তোঙান তোঙানবা পাম্বী (ক্রোপ) গী তোঙান তোঙানবা অপীবা য়াম্না নেম্বা চাংদুদগী হেল্লোইদবনি।

(৩) মপূং ফানা চাউরবা অমসুং লিরবা মরূ ওইগদবনি।

(৪) ময়োন চোংবগী চাং য়াম্না ৱাংগদবনি। খুদম ওইনা ফৌগীদি চাদা ৮০দগী তারোইদবনি।

(৫) ময়োন চোংবা অমসুং হৌবদা চাং মান্নবা ওইগদবনি।

(৬) লায়না তীলনা চেন্দবা ওইগদবনি।

(৭) য়াম্না থুনা হম-হম চাওগনবা ওইগদবনি।

(৮) ঈশিং মনিলগী চাং নেমগনি। খুদম ওইনা ফৌগীদি চাদা ১৩দগী হেল্লোইদবনি।

অফবা মরূনা অফবা মহৈ মরোং চুম্বা পাম্বী পুথোক্তুনা পোখোক হেনগৎহল্লি। ফত্তবা মরূদা অফবা লৌউ পথাপ শীজিন্নরবসু ঐখোয়না পাল্লিবা পোখোক য়ৌহনবা ঙমদে। মরম অসিনা থানিংলিবা পোৎশক অদুগী মরূ অদু অফবা ওইগদবনি অমদি মদু ঐখোয়না মশক মুন্না খঙবা তাই।

মরূশিংদু করম্না অফবা মরূনি হায়না খঙগনি:

ঐখোয়না মপানথোংদা য়েংবদা অফবনি নৎত্রগা ফত্তবনি হায়না হেক্তা লেপথোকপা ঙমদে। অফবা মরূশিংগী অশেংবা মগুণশিং অসি মখোয়বু থারবা, হৌরবা অমদি লোল্লবা মতুংদতা শেংনা খঙবা ঙমগনি। অদুগা মরূগী হৌরকফম মুন্না খঙবনা মখোয়গী অফ-ফত্ত খরদি খঙবা ঙমগনি। মরম অসিনা মালেমগী লৈবাক কয়াদা লৌউ-শিংউবদা শীজিন্নরিবা মরূশিং অসি অফবা মরূ শোয়দনা ওইহন্নবগীদমক মরূগী ওইবা আইন (সীদ এক্ট) শিং চৎনৈ। ইন্দিয়াদসু ইন্দিয়ান সীদ এক্ট ১৯৬৬ হায়বা মরূগী ওইবা আইন অসি কুমজা ১৯৬৮দগী চৎনরক্লি। আইন অসিগী মখাদা কৈথেলদা য়োল্লিবা মরূ খুদিংমক মখোয়গী হাপফম খাও, চেখাও, কৌতানচিংবশিং অদুদা য়াওরিবা মরূশিংদুগী জাৎ, শেংবগী চাং, মতোন চোংবা ঙম্বগী চাংনচিংবা ময়েক শেংনা ইদুনা তাক্কদবনি। হায়রিবা মরোলশিং অদুদা শোয়বা লানবা য়াওরল্লবদি মরূ য়োল্লিবা নৎত্রগা পুথোক্লিবা মীওইশিংদু চৈরাক পীবা য়াই। আইন অসি মণিপুর অমদি অতৈ অৱাং নোংপোক্কী লম খরদদি মপূং ফানা চৎনবা ঙমদ্রি।

ময়াম্না শীজিন্নরিবা মরূশিংগী মখল:

মীয়াম্না থানরিবা মরূশিং অসি মখল অহুমনি । মখোয়শিং অদুদি:-(১) সার্টিফাইদ সীদ : মসি সীদ সার্টিফিকেসন এজেন্সি অমনা ফরে হায়না শক খঙলবা মরূনি।

(২) লেবেল্ড সীদ : কনাগুম্বা মরূগী লন্নাই কম্পেনি অমনা ফরে হায়না হাপফম খাওনচিংবদুদা মরূগী মগুণ শেংনা ইদুনা তাকপা মখলনি। হায়রিবা মখল অনী অসি ইন্দিয়াগী হৌজিক চৎনরিবা সীদ এক্ট অসিনা য়ারবা মখলশিংনি।

(৩) অহুমশুবা মখল : ইন্দিয়াগী অপূনবা দরকার ওইবা মরূগী তঞ্চায় অমা হেন্না মথক্কী মখল অনী অসিনা মেনবা ঙমদে। অৱাৎপশিং অসি ময়াম্না চাননবা লোকপা নৎত্রগা থাবা মরূশিংদগী লৌদুনা নৎত্রগা লৌমীশিংদগী লৌনদুনা, ওন্নদুনা নৎত্রগা লৈনদুনা থানৈ।

মণিপুরদা অফবা মরূশিং ইফং ফংদবগী মরম :

মণিপুরদদি হৌজিক ফাওবা ঐখোয়গী ওইবা মরূগী ওইবা বিভাগশিং হায়বদি সীদ কোরপোরেসন, সার্টিফিকেসন এজেন্সিনচিংবা লৈজদ্রি। শম্না হায়রবদা মণিপুরগী ওইনা মরূগী থৌরম (সীদ প্রোগ্রাম) মপূং ইফা ফাবা ঙমদ্রি। ঐখোয়না থানরিবা মরূ অয়াম্বা ইশানা লোকচবা মহৈ মরোংশিংদগী খাইদোকপনি।

মনা মশিংগী মরূশিং লেবেল্ড সীদ ওইনা লৌ হীদাক অমসুং মরূ মরাং য়োনবা দুকানশিংদা ফংই। মমলদি তাঙই। অফবা মরূ শীজিন্নবদা শেল খরা হেন্না চঙই অদুবু অফবা মরূদুদগী পুথোরল্লিবা পাম্বীশিং শেম্নবা ৱাবগী চাং হন্থে। ফত্তবা মরূ শীজিন্নবনা শেল হন্থনা চঙলগসু শেন্নবা ৱাই, পোথোক হন্থে; শেন্দোং লৈতে। মরমশিং অসিনা ঐখোয়না পোথোক য়াম্না পুথোকপা ঙম্নবা অমসুং শূরু-নোম্লুবশিংদুগী মহয় চাউনা ফংননবা অফবা মরূ শীজিন্নবা হায়বসি তঙাইফদে। লোয়ননা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনসু অমুক্তা হেন্না পূক্নিং চিংশিনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়বা ৱাফমসি থমজনীংই।

উহৈ পাম্বীশিং মশা মরেং থাদোকপা অমসুং পাম্বীগী মওং শেম্বীবা

এস সুমঙ্গোল সিংহ



অঙাং অমবু পীক্লিঙৈদগী শেম্বী শাবীদুনা মপুন্সিদা মী ওইনবা অমদি তুং কোইনা মপুন্সি নুংঙাইনা, খুন্নাইগী থবক থৌরম কয়াদা মপূং ফানা শরুক য়াদুনা হিংবা পুন্সি অমা ওইনবা শেম্বী শাবীহৌবা হায়বসিদা মমা মপা ওইরিবা ঐখোয়গী থৌদাং য়াম্না চাওনা লৈ। মতৌ অসিগুম্না হৈকোন শেন্নরিবা নৎত্রগা হৈ পাম্বী অমবু থাদুনা মহৈ চাননবা হোৎনরিবা ঐখোয়না হৈ পাম্বী অদুবু কূপ্না শেন্নবা অমসুং শেম্বীবা চঙই। পাম্বীদুগী মচিঞ্জাক নীংথিনা পীবা, মতম চানা ঈশিং চাইবিবা, লায়না তীলনাদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবীবা অসিনচিংবা থবক থৌরম কয়া অমনি। হায়রিবশিং অসি নত্তবা অতোপ্পা মরু ওইবা থবক থৌরম অমা পনবা তারবদি হৈ পাম্বী অদুবু মওং চুম্না অপাম্বা মওংদা হৌহন্নবগীদমক চাং নাইনা মতম চানা, মওং চুম্না অমদি মরম চানা মশা মরেং থাদোকপীবা অমদি পাম্বীদুবু অপাম্বা অচুম্বা মওংদা হৌননবা শেম্বীবা হায়বসিসু য়াম্না মরু ওইবা থবক থৌরম অমনি হায়জনীংই। মসিবু লৌউ-শিংউবগী লোন্দা pruning and training হায়না খঙনৈ। pruning হায়বসিনা মশা মরেং ককপবু খঙনৈ অদুগা training হায়বসিনা মশা মরেং ককপা মতমদা পাম্বীগী মওং শেম্বীববু খঙনৈ। হায়রিবা থবক থৌরম অসিগী তোঙান তোঙানবা মমিং, মওং কয়া অমা লৈখ্রে। পূন্নমক্তু অমন্মম নৈনবগী মহুত্তা মরু ওইবা উহৈ খরদমক থৌরম অসি করম্না পাঙথোক্কনি হায়বদুগী মরমদা নৈনজগে।

Pruning গী মতম ঃ

নোংজুথা মতমদা উহৈ পাম্বীগী pruning মতম নত্তে। মতমসিদা pruning তৌবদা অকায়বা কয়া অমা লৈ। মরম অদুনা কনাগুম্বনা খঙহৌদবদগী করিগুম্বা নোংজুথা মতমদা উহৈগী মশা মরেং কল্লুরবদি লায়না তীলনা কয়া অমা তাশিল্লকপগী খুদোংথিবশিং নংবা য়াই। মরম অদুনা অয়াম্বা উহৈশিংগী pruning নোংজুথা লোইরবা মতম ওক্টোবর, নবেম্বর মতমদা পাঙথোকপীগনি।

উহৈ পাম্বী খরগী pruning and training ঃ

চম্প্রা - কোমলা ঃ

মখোয়গী মশা মরেং ককপগী মওংদি অহানবদা মপূং ফাবা মরু অমতং চুম্না হৌহন্নবা হোৎনগনি। অতোপ্পা নাকন্দা চোংবা মশাশিং নীংথিনা মরু মনাক নক্লা য়াম্না নানবা মওংদা কক্কনি। মরু মনাক নক্লা ককপনা অককপা মফম অদু মওং চুম্না অমদি খূৎলৈ থুনা ফাজিনবা/ওইশিনবা ঙমহল্লি। অসুম্না মওং চুম্না পাম্বীনা হৌগৎলবা মতুংদা, ফুট অহুম্মুক ৱাংবা মফমদা পাম্বীগী মতোন অদু কক্কনি। মসিনা পাম্বীদু মশা ময়াম অমা চোংহনবদা মতেং পাঙগনি। অসুম্না মশা কয়া অমা চোংলবা মতুং থা তরেৎতগী চহী অমা ফাওবগী মনুংদা অমুক হন্না মায়কৈ মরিদা চোংলকপা মশা অহুম নৎত্রগা মরি কল্লগা অতৈ অহেনবা মশাশিং ককথৎকনি। খাল্লিবা মশা অহুম/মরিদুনা পাম্বীদুগী মপূং ওইবা মশা ওইননবা শেম্বীগদৌরিবনি। হায়রিবা খাল্লিবা মশাশিং অদুদা উহৈ পান্নবা শেম্বীবা য়ারে। অসুম্না শেম্বীরবা মতুং উহৈ পাল্লবা পাম্বীদা pruning তৌবীগে হায়রবদি পাম্বীদুদা চোংলকপা কা হেন্না মশা ফবা চিথেক নাইবা, তিঞ্জ্বং য়াম্না শাংনা পানবা চপ য়ুংনা থিনগৎলকপা/চোংখৎলকপা মশা য়াওরবদি মদুসু মতম মতমদুদা ককথহৌগনি। মখোয়সিবু water sprout হায়না খঙনৈ। উহৈ থারিবা ঐখোয়নদি পাম্বী মশা ফনা হৌরে খনবা য়াই অদুবু মশা অসিনা উহৈ পানগদবা অতৈ মশাশিংবু উহৈ পানবা ৱাৎহনগদৌরিবনি। হায়রিবা মশা মখল অসি উহৈ পানদ্রিঙৈ মতমদসু থেংনবা য়াই। মতমদুদগী হৌনা অসিগুম্বা মশাশিং ককপীগনি। অতোপ্পা লায়না তীলনা চেনবা, মশা লোনশিন্নবা, খুদিংমক মতম চানা ককথৎপীগনি।

হৈনৌ ঃ

হৈনৌ পাম্বীদা pruning তৌবগী মথৌ কয়া তাদে। অদুম ওইনমক অকংবা, লায়না-তীলনা চেনবা, অমগা অমগা লোনশিন্নবা মশা য়াওরবদি অদুমক ককথৎপীগনি।

পুঙদোন ঃ

মতম অমদদি পুঙদোন পাম্বীদা pruning তৌনরমদে অদুবু মতমগী মতুং ইন্না হৈকোনগী মেনেজমেন্টতা অহোংবা কয়া অমা লাকপা মরম্না পুঙদোন পাম্বীদা pruning তৌবদা কান্নবা ফংলে। মপূং ফারবা চহী লীরবা পাম্বীদুদা চোংলিবা মরু ওইবা মশাশিং অদুদগী মশা ফবা মশা অহুম মরি খল্লগা নেমতক্লা হায়বদি ফুট অহুম্মুক ৱাংবা মফমদা মশাশিং অদু কল্লবদি অনৌবা মশা কয়া অমা চোংহল্লবা মতুংদা ময়াইরোমদা চোংলকপা মশাশিং কল্লগা মতাইরোমদা মশাশিং হায়দোকহল্লবদি পুঙদোনশিং নীংথিনা নেম্না নেম্না মপূং ফানা পানবগী পাউ লৈ। অনেম্বা পাম্বী ওইরবনিনা শেন্নবদসু লাইহল্লি। অসুম্না হৌরিবা পাম্বীগী ময়ায় থংবা শরুক হাংহন্দুনা মতাইদা মশাশিং নীংথিনা চোংহন্দুনা শেম্বীবগী মওং অসিবু ওপন সেন্ট্রেল হায়না খঙনৈ। অসুম্না শেম্বীবা পাম্বীগী মনা খুদিংমক নুংশা মঙাল নীংথিনা ফংদুনা অফবা, অথুবা অমসুং মপূং ফাবা উহৈ পানবদা মতেং পাঙই।

অঙ্গুর ঃ

মণিপুরদা অঙ্গুর মায় পাক্লা থানবা হৌরে। অঙ্গুরদদি pruning and training তৌদবা য়াদে লোয়ননা pruning তৌবা মতমদসু য়াম্না চেকশিনবা ফৈ। লম লমগী অমদি ভেরাইটি তোঙানবগী মতুং ইন্না pruning মতম অমসুং মওং খেন্নৈ। পাম্বী অসিগী pruning তৌবদা খঙজিনবা য়াবা খরখক্তং থমজগে। থাবদগী ইহান হানবা মপান শারকপা খুদিংমক থদৎপীগনি। মসিনা পাম্বীদু মপূং ফাহনবদা মতেং ওইগনি। পাম্বীগী মওং অদু চুম্না কাহনবীগনি। কয়া য়াম্না ৱাংহনগনি হায়বদুসু ঐগী ইশাগী থারিবা মফমগী মতুং ইন্না খনবীহৌগনি। শারিবা শগাইদুগা চান্নবা মরীশিং অদু মপূং ফানা থাহৌনবা খনবীগনি। মশাশিং অদু য়াম্না কুংনা পাল্লবদি খরা লন্থোকহনবা কান্নগনি। মসিনা মনাশিংদা নুংশিৎ অমদি নুংশা মরাং কায়না ফংহন্দুনা মনানা মচিঞ্জাক শুংবদা মতেং ওই অমদি লায়না তাবদগী কনবা ঙমহল্লি। অঙ্গুর পাল্লিবা পাম্বীদা চোংলকপা মহৈ পানবা মশাশিং অমদি মকোইশিং লৌথোকপা কান্নৈ। চরোং পাল্লিবা মশাগী অরোইবদা মনা মরিগুম্বা খাল্লগা মতোন থদৎপসিসু মহৈ মপূং ফাহনবদা মতেং পাঙই। মণিপুরদা থারিবা অঙ্গুরশিং ভেরাইটি মশক খঙবগা লোয়ননা শগাই শাবগী মওং খঙদোকপা মথৌ তাই। করম্বা মতমদা pruning তৌবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ হায়বনচিংবা খঙদোক্তুনা মতম চানা মওং চুম্না pruning তৌরবদি অঙ্গুর থাবগী কান্নবা হেন্না ফংগনি খল্লি। মসিগী অকূপ্পা ৱাফম মমাঙগী খূৎই খরদা থমজখ্রে। খঙজিনবদা কান্নবা ৱাফম অমনা অঙ্গুরদি চহী ফারবা মরীদা চোংলকপা মশাশিংদা মহৈ পানগদৌরিবনি। মরম অদুনা মশা থাবা মতমদা চহী ফারবা মশা মপূং ফানা খাল্লগা কান্নদবা অহেনবা অকুংবা মশা লৌথোকপীগনি। মশা থাবা মতমদা য়াম্না চেকশিনবসু চঙই মরমদি চহী ফাদ্রিবা মশা খাকহৌরগা চহী ফারবা মশাশিংনা ককথৎখ্রবদি মথং চহীদা অঙগুর পাল্লোইদৌরিবনি।

Pruning গী কান্নবা ঃ

পাম্বী খুদিংমক্কী ওইনা মশা মরেং ককপগী কান্নবা অদুমক লৈ। অহেনবা মশা মরেং লৌথোকপনা পাল্লিবা মহৈশিং মপূং ফাহনবা ঙম্মী। মরমদি কান্নদবা মশা মরেংশিংদুনা অরেম্বদা পাম্বীগী মচিঞ্জাক চাথোকখিবা মরম্না পাল্লিবা উহৈ মপূং ফাবা ৱাৎহল্লি। মখোয়না শীজিন্নথোকখিগদবা মচিঞ্জাকশিং অদু পাল্লিবা উহৈশিংদা ফংহন্দুনা মপূং ফানবরোমদা ওইনা শীজিন্নহনবা ঙমহল্লি হায়বনি।

মশা ককপগী মওং ঃ

মশা ককপা মতমদা মশা অদু পাল্লিবা মওং নৎত্রগা মশা অদুগী মখোঙ থেংনা হায়বদি মৰুগী মনাক নক্লা ককপীগনি। মসিনা অককপা মফম অদু থুনা ওইশিনবদা মতেং পাঙই। মখোঙ থেংনা ককপা য়াদবা নৎত্রগা থেংনদনা কক্তবা য়াদবা মওং ওইরগনা ককফম অদুগী মমাই অদু মখাদা ওন্থবা মওংদা থম্বীগনি। মসিনা লিক্লা নৎত্রগা নোংগী ঈশিং তুংশিন্দুনা মশা অদু কোকফাই শুজা তাবদগী কনবা ঙম্মী।

চম্প্রা, কোমলা, অঙ্গুর, পুঙদোননচিংবা পাম্বীদি য়েনিং হুন্না হুন্না অনৌবা হুল্লিবা মশাদুদা মপান শাদুনা মহৈ পাল্লি। অসিগুম্বা পাম্বীগীদমক্তি অরিবা মশা চহী ফারবা নৎত্রগা খরা হেল্লবা মশাশিং মপূং ফানা মফম চানা খাল্লবদি মথং চহীদা উহৈ নীংথিনা পানবা ঙম্মী। নাসপাতি, চুমব্রে, হৈখা, মালহৈনচিংবা পাম্বীদা অরিবা মশাদা তিঞ্জ্বং মানবা spur হায়না খঙনবা শরুকশিং থিনেদাক থিন্দোক্তুনা য়াওই। হায়রিবা spur শিং অসিদনি মপান শাদুনা উহৈ পানগদৌরিবসি। মশা থাবা মতমদা অসিগুম্বা spur য়াওবা মশাশিং লোয়না থাদোকখ্রবদি মথং চহীদা উহৈ পাল্লোইদৌরিবনি। মরম অদুনা য়াম্না চেকশিন্না spur য়াওবা মশাশিং খাল্লগা spur য়াম্না য়াওদবা অহেনবনি খনবা মশাশিংতমক থাদোকপীগনি। অসুম্না উহৈ খুদিংমক্কী মরমদা খঙদোক্লবা হোৎনরবদি উহৈ থাবগী কান্নবা খরা হেন্না ফংগনি খল্লি।